HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
# হুইয়েন লানপাও
The Largest Circulated Newspaper in Manipur
Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)



রিমসকী নেফ্রোলোজি দিপার্টমেন্টনা 'ৱর্ল্ড কিদনি দে-২০২৬'কা মরীলৈননা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী ৱাইনেম কবুই ভিলেজ কম্যুনিটি হোলদাপাঙথোকপা ফ্রী হেল্থ কেম্পতা লায়েংখিবা পেসেন্টশিংদা শকখঙচে পীবা

থম্মোয় পাউদম : হোমকমিং অমসুং মতুং - ১৫ লামায় ২
লামায় ৪ য়াওশঙ স্পোর্টস অমদি ঐখোয়গী ইচা...
ষ্টার ৱার, স্পেস ৱার শোক্লরকপসু য়েংবা... লামায় ৫
লামায় ৬ আই দি পিশিংবু মশা-মশাগী ময়ূমদা ...
মোজটবা খামেনৈনা ষ্টেট ওফ হোর্মুজ ... লামায় ৮
লামায় ১০ এম এন সী এ ইলিট ত্রোফিঃ আর সী এ...

লান হৌরকপদগীনা হৌজিক ফাওবদা লাঞ্জেন্নরকপা আই দি পিশিং চঙজফম পীনবগীদমক লৈঙাক্কী মায়কৈদগী প্রি-ফেব্রিকেটেদ সেল্টর হোম কয়া শারবগে হায়দুনা এম এল এ সূর্য্যকুমার ওক্রমনা হংবা



Vol. 50, Issue No. 329 | ইরাই, লমতাগী ২৫নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Friday, March 13, 2026, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50

### খুঞ্জাশিং নোংমৈ পায়বশিংনা কাপ্তুনা হাৎহন্দবা ঙমদ্রি
# থৱায় কুকি খুলগী উমংদা খুঞ্জা ২ কাপ্তুনা হাৎলম্লে থৌদোকসিগী কেস এন আই এদা থিজিলহল্লগনি : সী এম

**ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচএনএস) :**
হৌজিক লিতানদা থোক্লিবা থৌদোকশিং অসি মে ৩,২০২৩দগী হৌরক্লগা ৱারোইশিন পুরক্লিবা লান অসিগী মনুং চন্দ্রবসু পি আর লৈঙাক্লসু অদুগা লৈঙাক অদুগী মতুংদা লাকপা মীয়ামগী অনৌবা লৈঙাক্লসু নোংমৈ পায়বশিংনা মীচমশিংবু নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎপগী থৌদোক থিংদুনা থোকহন্দবদি ঙমদ্রি।



ফীভম অসিগী মখা তারকপদা ঙসি অয়ূক অঙনবদা লিতান পি এসনা কোল্লিবা থৱায় কুকি খুলগা নক্লনা লৈবা উমং অমদা খুঞ্জা অনীগী অশিবা হকচাং লৈরম্লে। মখোয় অনীমক কুকি ঙাক্তনি। ঙরাং কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা থৱায় কুকি খুলগী মনাক্তা লৈবা উমংসিদা ঈশিং পুনবা পাইপ শমগনি হায়দুনা চৎখিবনি হায়রি।

অশিবা হকচাং ওইনা ফংলবশিংদি থৱায় কুকি খুলদগী থেঙ্গিন বাইতে (৩৬) অপোকপা সেপাও বাইতে অমসুং উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী সক্কাই খুলদগী থাংবোইমাং খোংজাই (৩৫) অপোকপা কাইপাও খোংজাইনি। মখোয় অনীগী কোক, পুক অমদি খোঙনচিংবদা নোংমৈ মরূনা পানবগী মফমশিং লৈরম্মী হায়রি।

অদুবু হকচাং অনী অদু কনানা লৌখৎলগা কদোমদা পুথ্রবনো হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি।

থৌদোক থোকফমদা ঙসি লিতান পুলিসকী টিম অমনা চঙশিল্লুবদা নোংমৈ কাপথোরকপদগী য়ৌশিনবা ঙমদনা হল্লক্লে হায়রি।

মরম অসিনা মখোয় অনীবু কনানা করিগীদমক হাৎপনো হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমখিদ্রি।

অমরোমদা, লিতানগী থৌদোক্কী মতাংদা কোংগ্রেস এম এল এ, কে মেঘচন্দ্রনা ঙসিগী এসেমব্লি মীফমদা কোল্লিং এটেন্সন মোশন অমা পুখৎলকপগী পাউখুমদা চীফ মিনিষ্টর ৱাই খেমচান্দনা থৌদোক অসিগী কেস এন আই এদা শিন্নদুনা থিজিলহনগনি হায়না হাউসতা ফোঙদোকখ্রে।

থা অসিগী ৯দগী চথরকখিবা সেশন অসিগী ঙসি ৪নি চনবা নুমিৎকী অহানবা বিজিনেসতা মোশন অসি পুখৎলদুনা ইম্ফাল-উখ্রুল লম্বীদা লাকপা গাড়ী অহুমদগী মীচম ২১ ফাদুনা পুখিবগী মতাংদসু মোশন অসিনা কোনশিল্লদুনা হাউসতা থমখি। ...মখা লমায় ৬ কলম ৩

# এগ্রিকলচর লোয়শঙদা শেঞ্জা-থুমজা চাউনা চথরে অমসুং স্কাম থোক্লে হায়বগী খুদম লৈরে : মেঘচন্দ্র

**ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচএনএস) :**
লৈঙাক্কী এগ্রিকলচর লোয়শঙদা শেঞ্জা-থুমজা চাউনা চথরে অমদি লৌমীশিংগী য়াইফনবা স্কিমশিং ইমপ্লিমেন্ট তৌবদা অরানবা কয়া তৌদুনা অচৌবা স্কাম অমা থোকপগী খুদম চাংদম লৈরে হায়না কোংগ্রেস এম এল এ, কে মেঘচন্দ্রনা হাউসতা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি মরিনি চনবা সেশনদা খন্নদুনা পাস তৌনবা পুখৎলকপা দিমান্দস ফোর গ্রান্টসদা এগ্রিকলচর লোয়শঙ য়াওবদগী এম এল এনা লোয়শঙ অসিগী মায়োক্তা কট মোশন অমা পুখৎলদুনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

মোশন অসিগী পাউখুম পীরদুনা চীফ মিনিষ্টরনা হায়, স্কিম ইমপ্লিমেন্ট তৌবগী মতাংদা মওং-মরীল তাদবা কয়া থোক্লে হায়রিবসি দিপার্টমেন্টেল ইনক্বারি অমা তৌরগনি হায়বগী থাজবা পীখি।

অদুম ওইনমক মোশন অসি পুখৎলকখিবা ওপোজিশন এম এল এনা হায়, প্রাইম মিনিষ্টরগী ফ্লেগসিপ প্রোগ্রাম ওইরিবা পি এম কে এস ৱাইগী থাদরকখিবা লুপা ক্রোর ১২৯.৪৯গী শেনফম




মরী লৈনবা ওফিশলশিংনা হৈনথোকখিবগী চিংনবা লৈরে। স্কিম অসিগী বেনিফিসরি খনবদা অরানবা কয়া চথরম্বা থেংনরে হায়রদুনা থাঙৈ শেংনা লৌমী ওইজবশিংদা স্কিম অসিগী খুদোংচাবা পীবগী মহুত্তা ইমুং অমদা হঞ্জিন-হঞ্জিন বেনিফিসরি ওইহনবা অমদি মীওই অমগী মিংদা তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টতা খুদোংচাবা পীরম্বগী খুদম ফংলে হায়রদুনা মরী লৈনবা নোদল ওফিসর অমদি ষ্টাফশিং চৈরাক পীবা মথৌ তারে হায়খি।

এম এল এনা হায়, পি এম কিষান স্কিম ইমপ্লিমেন্ট তৌবগী মতাংদসু মওং-মরীল তাদবা অমদি অরানবা কয়া চথবগী খুদম লৈরে। এগ্রিকলচর লোয়শঙদা রেজিষ্টর তৌবা চীং অমদি তম অনীমক্কী পুল্লগা লৌমী ১,৯০,০০০ রোম লৈ হায়রি। অদুবু স্কিম অসিগীদমক লৌমী লাখ ৫ হেন্না এপ্লাই তৌরকপগী মনুংদা লৌমী ২,৯২,০০০বু বেনিফিসরি ওইনা খল্লে হায়খি।

মণিপুরদা লৌমী লাখ ৫ হেন্না লৈরবনিনা এফ সী এসকী চেঙ পীররোই হায়বগী ৱাফম লাক্তুনা হৌজিক ৱাথোক মথং-মথং থোরকপগী ফীভমদা লৈরে হায়রদুনা স্কিম অনীমক্তা মী মশা শুকখঙ খঙদনা শেল লৌথোকখিবগী ৱাফমসু লৈরে। মরম অসিনা ৱাথোক অসিগী মতাংদা হাউস কম্মিটি অমা শেমগেরা করিনো নীংথিজনা থিগৎতুনা মরাল লৈবশিং চৈরাক পীবা মথৌ তারে হায়খি। ...মখা লমায় ৩ কলম ১

### চপ চাবা প্রুফ ফংদ্রিঙৈদা এক্স-গ্রেসিয়া লাউথোক্কনু ১সুং এন আই এদা কেস শিন্নগনি হায়বা ৱাফম ৱিথদ্রো তৌগদবনি : আই পি এফ এম

**ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচএনএস):**
ঙরাংদগী হৌরদুনা অমুক হন্না লিতান পি এসনা কোনবা সক্কাই কুকি খুলদা সেন্ত্রেল ফোর্সশিং লৈনা-লৈনা মরাল লৈজদবা মীওইশিং ফারগা পুখিবা অমসুং কুকি ফ্রুপকী মীওই অনী নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলম্বগী মতাংদা এক্স-গ্রেসিয়া পীরগনি। লোয়ননা থৌদোক অসিগী কেস এন আই এদা খৎশিন্নরগনি হায়দুনা লাউথোক্লিবা অসি ...মখা লমায় ৩ কলম ১

### আই দি পিশিংগীদমক লৈরিবা প্রি-ফেব্রিকেটেদ টেম্পররি সেল্টর লিশীং ৩

**ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচএনএস):**
মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ৭শুবা সেশনগী ২শুবা তাঙ্কক থা অসিগী ৯দগী হৌরকখ্রবা মতুং ঙসি মরিনি চনবা নুমিৎতা কোংগ্রেস এম এল এ সূর্য্যকুমার ওক্রমনা মণিপুরদা লান অসি হৌরকপদগী হৌজিক ফাওবদা প্রি-ফেব্রিকেটেদ টেম্পররি সেল্টরশিং কয়া লৈরবগে হায়না হংখিবা ৱাহংগী পাউখুমদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী অসিগুম্বা মখলগী সেল্টর অসি লিশীং ৩ লৈ হায়বগা লোয়ননা সেল্টরশিং লৈরিবা মফমশিংদি চূড়াচান্দপুরগীনা টি বেঠহেলমদা ২৫০, সঙাইকোটকী জালেনফাইদা ১০০ ...মখা লমায় ৩ কলম ২

### কুমজা ১৯৫১দা বেজ য়র ওইরগা অহানবা এন আর সী পাঙথোকপীয়ু

**ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচএনএস):**
রাষ্ট্রহিট সর্ভোপরি সঙ্গথনগী থৌপুবা মঙানা খৎয়েক পীদুনা ঙসি গভর্ণর, চীফ মিনিষ্টর অমসুং হোম মিনিষ্টরদা নেশনল সিক্যুরিটিগী খক্তা নত্তনা মণিপুরদা ঈং-তপ্পা হঞ্জিলহন্নবা অমসুং মীতৈশিংদা এস টি ষ্টেটস ফংহনবগা লোয়ননা কুমজা ১৯৫১দা বেজ য়র ওইরগা মণিপুরদা অহানবা এন আর সী পাঙথোক্লবা হোৎনবীয়ু হায়না অইবা চেরোলশিং পীশিনখ্রে হায়রি।

### এম য়ুদা সষ্টেনেবিলিটি এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জগী নেশনল কনফরেন্স

**ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচএনএস):**
ঙসিদগী হৌরদুনা নুমিৎ নীনি চথগদবা সষ্টেনেবিলিটি অমসুং ক্লাইমেট চেঞ্জগী নেশনল কনফরেন্স অমা ঙসি এম য়ুগী দিপার্টমেন্ট ওফ জিওগ্রাফিদা হৌদোকখ্রে।

হৌদোকপগী থৌরমদা শক্লাইরবা একাদেমিসিয়ন অমসুং অখন্নবা মীওইশিংনা শরুক য়াখি। ভি সী প্রোফেসর এন লোকেন্দ্রনা চীফ গেষ্ট ওইদুনা ঙসিগী কনফরেন্স অসি হৌদোকখিবনি।

# সনাকৈথেলদা ওনশিন্নদুনা অমুক্কসু নোংমৈ কাপ্নখ্রে উখ্রুলগী এস পিগী এস্কোর্ট গাড়ী থুগাইরক্লে

### নুপী ৫ য়াওনা কিহল্লগা ফাদুনা পুখিবা মীওই ২১ নোংঙান্দ্রিঙৈদা লিতান পুলিসতা শিন্নরক্লে

**ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচএনএস) :** উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী লিতান পুলিস ষ্টেশননা কোনবা মফমদা ঙরাংসু ফ্রুপ অনীগী খৎলায় পায়বা ভোলন্টিয়রশিং ওনশিন্নদুনা খৎ থোক্লখ্রবা মতুংদা ঙসিসু অয়ূক পুং ৮ লোম তারকপদা লিতান পি এসনা কোল্লিবা সনাকৈথেল কুকি খুলদা খুল অসিগী কুকি ভোলন্টিয়রশিংগা তাঙ্খুল ভিলেজ গার্দশিংগগী মরক্তা খৎ থোক্লখ্রে।

নাকল অনীনা পুঙ্খায় অমরোম চুপ্পা কাপ্পখি। অদুম ওইনমক অশোক অপন য়াওবগী পাউ লৈখিদে। অদুবু থৌদোক অসিগী পাউ তাবদগী উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পিনা লুচিংবা পুলিস টিমনা মফম অদু তম্না চঙশিল্লুবদা মহাক্কী এস্কোর্ট পর্সনেলশিংনা তোংবা অঙৌবা মচুগী



মারুটি জীপসি অমা নুঙনা থাদুনা থুগাইরকপদা গাড়ী অসিগী ৱিন্দসিল্ড কায়বগা লোয়ননা অতোপ্পা মফমশিংদসু অকাই অতোই থোকখ্রে।

থৌদোক থোকফমদা লোগী মতুং ইনবা থবক লৌখৎনবা চঙশিল্লুবদা পুলিস পার্টিদা ওনশিল্লক্তুনা এটেক চথরকপদগী ঙসি ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

# কেরলাগুম্না মণিপুরদসু ৱাটর বোট ১সুং ৱাটর মেত্রো শেমগৎহন্নীংই





লোক্তাক দিভেলপমেন্ট ওথোরিটিগী হান্নগী চেয়রমেন অমদি ইনভাইরনমেন্টেলিষ্ট এম অশ্বনিকুমার অমসুং কে আই এম বি এগী প্রসিদেন্ট ঐচ গিতাজেন (ময়ায়) অমসুং কেরলাদা টুরিষ্টশিংগী পূক্লিং চিংশিল্লম্বা ৱাটর বোট

অল্কা থোকচোম

**ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচএনএস) :**
সাউথ-ইষ্ট এসিয়াগী গেটৱে অমা ওইরিবা মণিপুর অসি মশাগী নেচরেল রিছোর্স কয়া অমা লৈজবা লমদম অমা ওইবনা মণিপুর টুরিজম পোলিসি-২০২২গী রিপোর্ট মতুংইন্না মণিপুরদা ইকো-টুরিজম সেক্টর শেমগৎনবগীদমক্তা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্ট অমদি ষ্টেকহোল্ডরশিংগা খৎশম্নদুনা পোলিসি/প্লান্নিং মতিক চানা তৌদুনা টুরিষ্ট দেষ্টিনেশন অমা ওইহন্নবা শেমগৎ-শাগৎনীংবগী মতাংদসু রিপোর্ট অসিনা পল্লি।

মণিপুর লৈঙাক্কী টুরিজম দিপার্টমেন্টকী কুমজা ২০২৩-২৪গী এন্যুএল এদমিনিষ্ট্রেটিভ রিপোর্টকী মতুংইন্না লোক্তাক ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# লম্লাই এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদা ৱার্দ মেম্বর ওইরম্বা ২ য়াওনা ইমুং ৬কী মীওই ৬ কোংগ্রেসতা য়াওখ্রে

**ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচএনএস) :**
ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিশিংগী মনুংদা মরু ওইবা কন্সটিট্যুএন্সি অমা ওইরিবা লম্লাই এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদা ৱার্দ মেম্বর ওইরম্বা মীওই ২ য়াওনা ইমুং ৬কী মীওই ৬ কোংগ্রেসতা য়াওরকপদা তরাম্না ওকখ্রে।



মখোয়না বি জে পিগী মেম্বরশিং ওইরম্বা য়াওনা তোক্লক্লগা কোংগ্রেসতা য়াওরকপদা কুমজা ২০২২দা পাঙথোকখিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীখলদা কন্সটিট্যুএন্সি অসিদা কোংগ্রেস মীরেপ ওইখিবা অচোইবম দেবেন অমসুং অতৈ কোংগ্রেসকী মীওইশিংনা পার্টিগী লেংয়ান ফি খুদোল তমদুনা তরাম্না ওকখ্রে।

ঙরাং নুমিদাং পাঙথোকখিবা থৌরমদা অচোইবম দেবেননা হায়, মণিপুরদা মে ৩,২০২৩দগী হৌরক্লিবা লান অসিনা মরম ওইরদুনা হৌজিক ফাওবদা লম্লাই এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী চীংগা তাইনবা মফম খরদা চঙথোক চঙশিন তৌবা য়াদ্রি। মফমশিং অদুগী মীওইশিং রিলিফ কেম্পশিংদা হৌজিকসু চঙজফম লৌরি। মরম অসিনা থোরক্লিবা লান অসি ...মখা লমায় ৩ কলম ২

### দিমান্দ ১২গী লুপা ৮২০৮,৮০,৬৫,০০০ পাস তৌখ্রে
# ওজা ত্রান্সফর তৌবদা স্কুল নৎত্রগা কোলেজগী অৱাৎ-অপা নীংথিনা য়েংলগা তৌবীয়ু : লোকেশ্বর

**ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচএনএস) :**
থা অসিগী ৯দগী হৌরকখিবা ৭শুবা এসেমব্লি মীফমগী অনীশুবা তাঙ্ককসু ওইরিবা বডজেট সেশনগী ঙসি মরিনি চনবা নুমিৎতা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী তোঙান তোঙানবা দিমান্দ ১২গী অপূনবা শেনফম লুপা ৮২০৮,৮০,৬৫,০০০ পুথোরক্তুনা হাউসনা খন্নরগা পাস তৌবীনবা হায়রকপদগী খন্নরবা মতুংদা দিমান্দশিং অসিগী শেনফমশিং পাস তৌখ্রে।




ঙসি হাউসকী লিদরসু ওইরিবা চীফ মিনিষ্টরনা দিমান্দস ফোর গ্রান্টসকী দিস্কশন অমসুং ভোটিংগীদমক পুথোরকখিবা দিমান্দশিংদি ফাইনান্সকী লুপা ৩৫৩২,১১,০৩,০০০, এদ্যুকেশনগী লুপা ৩০৭৭,৪৩,১৪,০০০, কো-ওপরেশনগী লুপা ২৯,৬৪,২২,০০০, এগ্রিকলচরগী লুপা ২৫৭,৩৯,৩৭,০০০, দেএরি ফার্মিং য়াওনা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

### লুপা ক্রোর ১৪৫.১৮ চঙনা আই দি পিশিংগী প্রি-ফেব্রিকেটেদ টেম্পররি সেল্টর লিশীং ৩ শাখ্রে

**ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচএনএস) :** চথরক্লিবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ৭শুবা মীফমগী ঙসি মরিনি চনবা নুমিৎতা কোংগ্রেস এম এল এ সূর্য্যকুমার ওক্রমনা ষ্টার্দ ক্বেশন নম্বর ৩২০গী মখাদা হোম দিপার্টমেন্টতগী পাউখুম পীবিরক্লবগীদমক মে ৩,২০২৩দগী হৌরক্লগা হৌজিক ফাওবদা ষ্টেট অমসুং সেন্ত্রেল লৈঙাক্লা আই দি পিশিংগীদমক ফংহল্লক্লিবা খুদোংচাদবশিং করি করিনো, ৱাফম অসি দিষ্ট্রিক্ট/দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা অমসুং লন্নাই রিলিফ কেম্পশিংগী ওইনা পাউখুম পীয়ু হায়বগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা আই দি পিশিংদা প্রি-ফেব্রিকেটেদ টেম্পররি সেল্টর কয়াম য়াম্না ফংহল্লবগে হায়বা ৱাহংসু হংলকখি।

পূন্না এম এল এনা ৱাহং মরি হংলকপগী মনুংদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মে ৩,২০২৩দগী থোরকখিবা হাৎন-শুনবগী ঈরাংনা মরম ওইরগা ময়ূম মকৈ থাদোক্তুনা লাঞ্জেন্নরক্লিবা মীওইশিংগী লৈনবা লৈঙাক্লা ঙসি ফাওবদা লুপা ক্রোর ১৪৫.১৮ চঙনা প্রি-ফেব্রিকেটেদ টেম্পররি সেল্টর লিশীং ৩ শাখ্রে হায়না পাউখুল্লকখি।

সেল্টরশিং অসিগী মনুংদা কাংপোকপীদা ১১০০, ইম্ফাল ইষ্টতা ৫৩০, চূড়াচান্দপুরদা ৪০০, বিষ্ণুপুরদা ৩২০, ইম্ফাল ৱেষ্টতা ২৫০ অমসুং থৌবাল অমদি ককচীংদা ২০০/২০০নি হায়রি। ৱাহংশিং অসিগী মখা তাবা পাউখুমদা ওক্টোবর ৩১,২০২৫ ফাওবদা আই দি পিশিংগী তঙাইফদনা চঙবা ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

# লান হৌরকপদগী থৱায় হিংনবা লাঞ্জেল্লকপদা তুশিনবদগী ইপুরোইবসু ঙসি ফাওবা ফমুংদা লৈরি: রুহিনি

রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী
হকথেংনবা পাউদম
কাংচুপ চীংখোঙদগী খুঞ্জা

(হান্নগী মখা...)
কাংচুপ চীংখোঙ মনীং লৈকায়দগী লাঞ্জেল্লক্তুনা হৌজিক ফাওবা ফয়েং হায় স্কুলদা হাংবা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌরক্লিবী অঙোম ওংবী রুহিনি (৬০), মপুরোইবা এ নিংথৌরেলনা পাউচে অসিদা হায়, খঙহৌদনা হৌরকখিবা ঈরাং অদুদা লাঞ্জেল্লকপদা ইপুরোইবসু তুশিন্দুনা মখোঙ শোকপদগী ঙসি ফাওবা অদুমক ফমুংদা লৈরে। ব্লদ প্রেসর ৱাংখৎলক্তুনা শিরমগদৌরবনি অদুবু ইপুরোইবগী থৱায়বুদি কনবা ঙমহৌরে। হৌগৎ-কাংখৎপদি হৌজিকসু নীংথিনা ঙমদবনা ফমুংদা অদুমক লৈরি। লান অসিদা লাঞ্জেন্নরিবা ঐখোয়না য়ূমদা হঞ্জিল্লবসু মসিনা মরম ওইদুনা শোকখিবা অমসুং কায়হনখিবা থম্মোয় অমদি হকচাংদা শোয়নাইহল্লিবা অসিদি ঐখোয়গী পূন্সিনা লৈরিবমখৈ অদুমক লৈহৌরগনি হায়না থম্মোয় শোক্লা ফোঙদোরকখি।

অঙোম ওংবী রুহিনিনা মখা তানা হায়, লান অসিগী মমাঙদা কুকিশিংগা ঐখোয়গা পূন্না য়ূমথংনদুনা নুংশি চান্নানা লৈরম্বনি। অদুবু খঙহৌদনা হৌরকখিবা লান অসিনা মরম ওইরগা ঐখোয়গী য়ূমসু মৈনা তুম্না থাদোকপীখ্রে। ঐগী ইচা পূন্না নুপা অহুম, নুপী অমনি। হৌজিক ইচানুপা অনী ময়ূম পান্দ্রি। অদুগা অতৈদি ময়ূম-মকৈ পাল্লে। মাগী-মাগী হিংবা ঙম্নবা থবক থিদুনা হোৎনরি।

মে ৩, ২০২৩দগী মণিপুরগী তমথীরবা কাঙলূপ অনীগী লান অসি হৌরকখ্রবসু কাংচুপ চীংখোঙদদি থংনবা নুমিৎ মে ৪দা য়ৌরকখিবনি। লান য়ৌরক্লে হায়বগা মহৈ-মহৈ কোইচেন চেন্নখি। মরম অসিনা থৱায় হিংনবা চেল্লকপনিনা ইশাগী য়ূমদগী করিসু পুরকপা ঙমখিদে। লৌবুকলোমদা চেল্লক্লগা ফয়েংদা খঙন-চান্নবশিংগী য়ূমদা চঙজফম লৌদুনা লৈরকখি।

কাংচুপ চীংখোঙদা লান য়ৌরক্লবা মতুং ফনা কুইনা ফয়েং মায়কৈদা রিলিফ কেম্প লৈতবদগী খঙন-চান্নবশিংগী য়ূমদা কোইচেন চেন্দুনা অহিং কয়া লেল্লককখি। অয়ূক নুংথিলদনা ইশাগী য়ূমলোমদা চৎলি অদুগা ময়াম পূন্না চাক চামিন্নে। অসুম্না মতম খরা কোইচেন চেন্দুনা ৱানা লৈরক্লবা মতুং ফয়েং হায় স্কুলদা লাঞ্জেল্লকপশিংগী চঙজফম লৌননবা রিলিফ কেম্প হাংলকপদগী মসিদা লৈরকপা চহী অনী মখায়রোম শুজিল্লক্লে। (মথং-মথং)

# মণিপুরী লোলবু নমশিনবদগী মাঙখিবদা মণিপুরদা লৈরিবা পূম্নমক মাঙখিগনি : এম এস এফ




**ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচএনএস) :** মণিপুরী লোল অসি নমশিন্দুনা থমজিনবা অমদি লোল অসিনা মাঙখিবা মতমদা মণিপুরদা লৈরিবা পূম্নমক মাঙখিগনি হায়বসি মরী লৈনবশিংনা খঙজিনগদবনি। লোয়ননা লৈঙাক্কী তোঙান তোঙানবা লোয়শঙশিংদগী থোকপা নোটিসনচিংবশিং মণিপুরী লোলদা থোক্লবা থবক পায়খৎকদবনি হায়না এম এস এফকী জেনরেল সেক্রেটরি সুন্দর খুমননা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি নুংথিল ক্বাকৈথেল থৌনাওজম ...মখা লমায় ৬ কলম ১

### তোৰ্ব্বুংগী আই দি পিশিংদগী কে সী পিগী মিংদা লুপা লিশীং ২০ লৌখিবশিং চঙজরক্কদবনি : কে সী পি

**ইম্ফাল, মার্চ ১২ :** কংলৈপাক কম্যুনিষ্ট পার্টি (কে সী পি) গী দিপার্টমেন্ট ওফ ইনফোর্মেশন এন্দ পব্লিসিটিগী মেম্বর ইন-চার্জ এস মঙালগী চেরোল অমদা তোৰ্ব্বুংগী আই দি পিশিংগীদমক থাদোরকপা ফন্দদগী কে সী পিগী মিংদা লুপা লিশীং ২০ লৌখিবদা চেন্নবা মীওইশিং লূপ্তা অথুবা মতমদা চঙজরক্কদবনি হায়রি। ...মখা লমায় ৩ কলম ১

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫